# কোরোনাভাইরস মরক্তা মহৈশঙশিং









- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ তারকপা অদুৰাইদগী হৌরে মহৈরোয় ময়াম অমা মাগী মাগী মহৈশঙশিং অদুগী থোঙ্গালদা অমগী মতুংদা অমা পরেং অমা নৎত্রগা অনী থোক্লা লেপ্পি। মহৈরোয়শিং অসিগা মায়োক্লনা মহৈশঙশিং অদুগী থোঙ্গাল থোঙ্গালদা মতম খরগী ওইনা খন্দুনা থম্লিবা নাকল অমদগী চঙলগা নাকল অমরোমদা ফাওদোক্তুনা চৎখিবা য়াবা নোং যুদবা সেমিয়ানানা কুপ্পা কা অশাংবা অদুগী মনুং অদুদা ওজা নৎত্রগা মহৈশঙ অসিগী ওফিসতা থবক তৌবা মীওইশিং অমদি মহৈশঙশিং অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্লিবা (সিক্যুরিটি পর্সনেল) মীওইশিংনা লৌরি অমমম হকচাংগী অশাবা (বোদি টেম্পরেচর)। অদুগা অতোপ্পা নাকল অমরোমদনা মহৈশঙশিং অসিগী ঙাকশেন্নবা লৈরিবা মীওইশিংদুনা ওজাশিং, মহৈশঙগী ওফিসতা থবক তৌবশিং লোয়ননা চঙলক-চঙলকপা মীওই খুদিংমক অমত্তা চিথ্দনা লৌরি হকচাংগী অশাবা। কনা অমতা চিথবা তৌদনা হকচাংগী অশাবনা সেলসিয়স ৩৬/৩৭কী মখাদা লৈবা মহৈরোয়, ওজাশিং অমদি অতৈ মীওই খুদিংমক হকচাংগী অশাবা য়েংলে খঙনবা ষ্টাম্প অমা খুনমদা নম্লগা থাজিল্লি থোঙ্গালসিগী মনুংদা। ঐখোয়না ওজা ওইরিবা হুঙকৌ দেলিন য়ুনিভর্সিটি অসিদদি নুমিদাংগী ক্লাস লৈবনিনা নুমিদাংৰাইরম চঙলকপগী পুং ৬.৩০দগী পুং ৮.১০ ফাওবা অমুক চথে। হায়রিবা থৌওং অসি টাইৱানগী মহৈশঙ খুদিংমক্তা চথরিবা চিথবা য়াদ্রবা নুংতিগী পাঙথোকপা মথৌনি।

হৌজিক হৌজিক টাইৱান্দা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) হায়রিবা লাইচৎ অসিনা নাবা মীওই ৬০ হেল্লে। চহী ৬২ মুক শুরবা টেক্সি থৌবা নুপা অমদি কোরোনাভাইরসনা নাবদগী লৈখিদ্রে। মহাক্কী মতুংদদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মখা তানা লৈখিদবা য়াওদ্রি। য়াওরক্তবসু ওইসনু। চাইনাগা হেক থংননা, চাইনাগী শরুক অমসু ওইরিবা, অসুক নক্লনা লৈবা টাইৱান্দা লাইচৎ অসিনা নাবগী চাং অসুক্কী মতিক নেম্না লৈরিবা অমদিশিবগী চাং অসুক্কী মতিক নেম্লিবগী মরম চাউনা লৈ। খ্বাইদগী মরুওইবা মরম খরা হায়বা তারগদি টাইৱানগী অনাবা লায়েংবা, লাইচৎ ঙাকথোক্লবা লাল্লোং অমদি হেলথ ইন্সুরেন্স অসি অসুক্কী মতিক ৱাংনা, ফনা লৈবা অসিনি। লায়েংবগী অমদি হেলথ ইন্সুরেন্সকী লম্দদি টাইৱান্না য়ু এস এদগী হেন্না ৱাংনা লৈরিবনি। মরম অসিননি কোরোনাভাইরস য়ৌখিবা চয়োল অমা অনীখক ঙাইরিবা য়ু এস এদনা মীওই ৭০ হেন্না শিরগা মী অসুক কুংনা লৈরিবা (২৩ মিল্লিয়ন্স) টাইৱান্দনা মীওই অমখক শিরিবা। অমনা, টাইৱান্দদি মীপূম খুদিংমক হেলথ ইন্সুরেন্স লৈ। মসিনসু মরম ওইদুনা মীপূম খুদিংমক লায়েংবা ইরায় লায়না ঙম্মী।

কোরোনাভাইরস হায়রিবা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্তুনা থম্বা ঙম্বগী য়াম্না চাউবা মরম অমনা টাইৱানগী লাইচৎ ঙাকথোক্লবগী লম্দা থবক তৌরিবা মীওইশিং অসি য়াম্না খঙ-হৈরবা মীওইশিংনা অয়াম্বনি। মমাঙদা থোকখিবা এস এ আর এস লাইচৎ থিংনবা হোৎনবদা শীজিন্নখিবা লাল্লোংশিং অদু ঙসিসু শীজিন্নরি টাইৱান্দা। অদুনা চহী চূপ্পা টাইৱানগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট খুদিংমক্তা হকচাংগী অশাবা (বোদি টেম্পরেচর) য়েংবসি শুংলেপ লেপ্তে হায়বা য়াই। চহী খুদিংগী ঐহাক্লা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎথোক্লবগী হঞ্জিল্লকপদা অদুম হকচাংগী অশাবা য়েংনবা খূৎশুখূৎলায়শিংসি খিল্লগা য়েংদুনা লৈরম্মী পাক শন্না শন্দোকপা লাইচৎমক লৈত্রবসু। মীদা শন্দোকপা লাইচৎ ঙাকথোক্লবা হোৎনবতা নত্তনা শা-ঙাদা শন্দোকপা লাইচৎশিংদগী ঙাকথোক্ল বসু হোৎনৈ। মরম অদুনা মপান্দগী অহিংবা, থোঙদোক্ত্রিবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদা শেল চাউনা চাউনা লৌই টাইৱান লৈঙাক্লা পুশিল্লকপা মীওইশিং অদুদগী। শেল চাউনা তিংহনবতা নত্তনা পুরক্লিবা পোৎলমশিং অদুসু মাঙহল্লি।

ৱিন্টর ভেকেসন লোইদুনা মহৈশঙশিংদা ক্লাস হৌখিবা মঙা শুরক্লে। কোরোনাভাইরস লাইচৎসি টাইৱান্দদি কুইরে য়ৌরকখিবা য়াম্না ঙন্না য়ৌরকই। অদুম ওইনমক নিংথমথাগী ছুটি লোইরবনিনা মহৈশঙশিং অমুক হাংবা তাখি। করি তৌসিগে হায়না লৈঙাক্লা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা চেকশিন্না তানদুনা চয়োল অমখক থেংথরগা হাংবা হৌখিবনি মহৈশঙশিং। মহৈ তম্বা হায়বসি য়াম্না লূম্না লৌবনা চয়োল অমখক য়ৈথোক্লগা হাংখিবনি টাইৱানগী মহৈশঙ খুদিংমক। মসি হায় হায়দুনা মীওইবগী পুন্সিবু লায়না লৌবদি নত্তে। লৈঙাক্লা তৌবা ঙমগনি, লাইচৎ অসিনা শোকহন্দনা মহৈ তম্বা মহৌশাগুম চথবা ঙমগনি খঙনা হাংদোকখিবনি। ঐহাক ইশামক্লা ওজা ওইরিবা হুংকৌ দেলিন য়ুনিভর্সিটিদসু ফেব্রুৱারী থাসিগী তাং ৪দগী ক্লাস চথদুনা লাক্লি। তৌবতবু মহৈরোয় খুদিংমক লোয়ননা ওজা অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা থবক তৌরিবা মীপূম খুদিংমক মাস্ক উপ্তুনা মথৌ তৌগদবনি। ঐহাক ইশামকসু মাস্ক উপ্তুনা ক্লাসশিং লৌরিবনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ঐহাক্কী য়ুনিভর্সিটিদা অমদি টাইৱানগী মহৈশঙ খুদিংমক্তা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বা হায়বসি অসুক্কী মতিক লূম্না অমদি লুনা লৌই হায়বদু ময়ামদা পাওদমজবদুনি। মহৈ তম্ববু য়াম্না লূম্না, লুনা লৌরবসু মীওইবগী পুন্সিবু লায়না লৌবদি খক তৌদে টাইৱান্দা। পুন্সিসু কনবা অদুগা মহৈসু তমহনবা অনীমকসিনি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিনা হোৎনরিবসি। মরম অসিননি চয়োল অমখক য়ৈথোক্তুনা মহৈশঙ খুদিংমক হাংদোক্লিবা অমসু অমসু ফনবা। ঐহাক ইশামকসু অসিগুম্বা য়ুনিভর্সিটি অমদি মহৈশঙশিংগী চেকশিন থৌরাংদা য়াওরিবনি। লাক্লিবা মার্চ ২৪দা ঐহাকসু পুংজা খরা য়ুনিভর্সিটিগী থোঙ্গালদা লৈরিবা হকচাং শাগৎপা য়েংফমসিদা লৈদুনা ঐহাক্লা তৌবা য়াবা থৌদাং তৌগদৌরিবনি। অতৈ ওজাশিংসু তৌরিবনি।

টাইৱান্দা মহৈশঙশিং চয়োল অমখক লোল্লগা ক্লাস হৌই হায় হায়দুনসু ইরমদম কংলৈপাক্তসু মহৈশঙশিং হেক্তা হাংদোক্তুনা তমহনসি হায়বদি নৎচদে। অদুগা নাকল অমরোমদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসি থিংনবনি হায়দুনা মতম কা হেন্না মাঙহনবসু লানগনি খল্লি। ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈঙাক্লা মহৈশঙশিং মার্চ থাসি লোইবফাও, হায়বদি তাং ৩১ ফাওবা থিংজিল্লি হায়না পাউদা থেংনৈ। লৈঙাক্কী ফিরেপ অসি চুম্মী হায়না লৌই ঐহাক্কী ওইনদি, হায়বদি ইরমদম কংলৈপাক্তা টাইৱান্দা লৈরিবা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং অমদি লায়েংফম মতিক চানা ইরমদম অসিদা লৈতবনা। টাইৱান্দা মীওই ৬০ হেন্না লাইচৎ অসিনা নাহল্লবসু লায়না অসিবু ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মহৈশঙশিং অসি হাংবা ঙম্লিবনি। মসিগী পাম্বৈশিং অসি ইরমদম কংলৈপাক্তদি শুকলৈ লৈতে হায়বা য়াই, মীয়াম্না ৱাখল তানা মাস্ক শীজিন্নবা, মীরক্তা তিন্দনবা হোৎনবা অমদি খূৎশা শেংনা হামদোকপা নত্তনা।

লাইবক য়াম্না ফবদি, ঙসি ফাওবদা তশেং তশেংনা কোরোনাভাইরস অসিনা নারে হায়বগী পাউদি তাখিদ্রি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাকপা মীওই নত্তনা। অদুবু লায়না অসিদি ঐখোয়গী মী, অতোপ্পগী মী হায়বা লৈতবনা লাইচৎ অসি শোয়দনা য়ৌরকপা য়াবগী তাঞ্জা য়াম্না ৱাংনা লৈ। চাওখৎলে হায়রিবা ইটালি, ইরান, স্পেন, ফ্রান্স, য়ু এস এ, সাউথ কোরিয়া, য়ু কেনচিংবা লৈবাকশিং অসিদা মী শিবগী মশীংসি অসুক ৱাংখ্রে। করিগুম্বা লাইচৎ অসিনা ইরমদম কংলৈপাক্তা শন্দোরক্লবদি কমদৌবা। খন্থরুবদা অকিবা অমা ফাওই ঐখোয় ইরমদমগী লায়েংবগী, লাইচৎ ঙাকথোকপগী অমদি হেলথ ইন্সুরেন্সনচিংবা অসুক্কী মতিক শোন্না লৈরিবা ফীভমসিদা। মী অমা অনীফাওবা, মরুওইনা লায়র-অনংগী ইমুংদগী লাকপা ওইরবদি নিংথিনা লায়েংবীদবা লমদম অসিদা অসুক চাউবা লাইচৎ অসি লাক্লবদি লাইবক য়াম্না থীগনি, মরুওইনা লৈত-লায়র মীওই কয়াদদি।

লোইশিল্লকপদা, হৌজিক হৌজিক লায়না অসি কন্না, য়াঙনা শন্দোরক্লি চাইনাগী ৱাংমদা, মরুওইনা অঙ্গৈংবা লৈবাকশিংদা। মার্চ ১৭ ফাওবগী ওইনা মীওই লাক্ষ ১৮২,৫৯৬ লাইচৎ অসিনা নাহল্লে, অদুগা শিবগী চাংনা মীওই ৭,১৭০ য়ৌখ্রে। ইটালি খক্তদা মীওই ২,১৫৮ শুখ্রে। য়াঙনা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অসিদগী চেকশিন্না লমিন্নসি ঐখোয় পূন্না। ইরমদমগী লৈঙাক্লসু অঙম্বা হোৎনবীবা ওইরসনু অদুগা মীচম মীয়াম ঐখোয়সু ৱাখল তামিন্নসি অমদি ইথৌ তৌমিন্নসি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা। হিংবু হিংলবদি মহৈদি পুন্সিগী ওইনা তম্বা য়াই। য়াইফমিন্নরসি। ●

# মীয়ামগী লীলারোই ‘মোংজম থোইবা’

- পাওনম থাকাব মীতৈ -

মতম অমদা লমদমসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্লনা য়েংনখিবা মমিংতা তাবদা মীপুম খুদিংমক্লা খঙনদবা লৈখিদ্রবা শুমাং-কুম্মৈগী লীলারোই মোংজম থোইবা হায়রগা হেন্না খঙনখিবা পাবুং থোইবা হৌখিবা চৈচৎ ১, মার্চ ২০২০, নোংমাইজিং নুমিত্তা মশাগী পোক্লফম লমদম ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং এ সীগী মনুংদা লৈবা অৱাং পোৎশংবম খুন্নৌদা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭১ রোম শুখ্রে। মহাক মচিন মনাও তরেৎকী মনুংদা মহাক্লা খ্বাইদগী অহলনি। নুপা মরি নুপী অহুমনি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানিপা অনি, মচানুপী অমা লৈহৌরি। মহাক মতম খরা নাদুনা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা লৈরম্মী। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা শুমাং কুম্মৈ অমদি মমি কুম্মৈবু থৱায় য়াম্না য়াওজরম্মী লোয়ননা মীতৈ ঈনাৎপু হিংগৎহন্নবা থৱায় য়াওনা হোৎনবীরম্মি। মহাক লৈখিদ্রে হেক তানবগা শুমাং কুম্মৈ, মমি কুম্মৈগী মীওইশিং অমদি লমদমদুগী মীয়াম পূম্নমক লাক্তুনা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা মীৎকী পিগা লোয়ননা লৈ কৎপা লাকনখি। মীওইশিং অদু অয়াম্বনা মখোন থোক্লা কপ্পখিবগা লোয়ননা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকমিন্নখি। ঙসিদি মহাক ঐখোয় পূম্নমকপু থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দা চৎখ্রে। পাবুং থোইবনা হিংলিঙৈদা মহাক্লা পামজনা য়াওখিবা লীলাশিং মতমদুগী মীয়াম্নসু হেন্না পাম্না য়েংনখিবা ঐহাক্লা খরদং নীংশিংজবা শুমাং কুম্মৈ খরদং পল্লবদা... কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা টাইম ষ্টার আর্টিস য়ুনিয়নগী ‘বঙ্গলাদেসকী লাই ফদিবী’ দা ‘কালু’ শাবা হায়না মীয়াম্না শক খঙনবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৮০ দা “নোংমগী ৱাথোক”তা লীলারোই অমা ওইনা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নবা/পাম্নবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৮২ দা ‘অঙাংবা নোং’দা তম্ফা শাবা হায়না মীয়াম্না হেন্না পাম্নবা য়েংনবা হৌরকখি। শুমাং কুম্মৈ অসিদা মহাক্লা বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরসু ফংখি। কুমজা ১৯৮৬ দা ‘হৈনৌজোম য়ুম্বাল তেলঙ্গা য়াহিপ’ তা ‘কুঞ্জবী’ শাবদা মীয়াম্না হেন্না পাম্লনা য়েংনখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবা লমদমসিগী মীয়ামদা কাউঙমদনা নীংশিংদুনা লৈহৌরি। কুমজা ২০০১ দা মীতৈ



লৈমা যত্রা কম দ্রমা এসোসিয়েসনগী ‘অনৌবা নুমিৎ’ তা জেমস শাবদা বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনাসু ফংখি। কুমজা ২০০৩ দা ‘কার্ফিয়ু’ দা সুভাসকী শক্তম লাংখিবদা বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনাসু ফংখি। কুমজা ২০০৪দা ‘বোর্দর’ দা আর্ম্মি কেপ্তেন অমগী শক্তম লাংখিবগা লোয়ননা লীলা অসিবু তাকপী তম্বীখিবগীদমক বেষ্ট দিরেকসনগী মনাসু ফংখি। কুমজা ২০০৫ দা ‘মেদাম’ হায়রিবা লীলা অসিদসু বেষ্ট দিরেক্তরগী মনাসু ফংখি। হায়রিবা মনাশিং অসি ষ্টেত কলা একাদেমি মণিপুরনা শক খঙবীদুনা পীখিবা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা মতম অদুগী মণিপুরগী গভর্ণরনসু হেন্না শক খঙবীদুনা মহাকপু মনা কয়াসু পীবীখি।

মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা লীলারোই অমা ওইনা য়ূম পুবা ঙমন্নবা হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা ইলেক্ট্রিসিটি লোয়শঙদা থবকসু তৌরম্মী। লোয়ননা লমদম অদোমদা মীতৈ ঈনাৎপু হেন্না চাও-খৎহন্নবা কন্না হোৎনবীরম্মী। ঙসিদি মীয়ামগী মোংজম থোইবা ইমুং-মনুং, মরুপ মপাং পূম্নমকপু থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দা চৎখ্রে। মহাক্লা পামজরম্বা শুমাং কুম্মৈ অমদি মমি কুম্মৈশিংদা কনানসু মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাঙবা অচৌবা অমদি মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহৌরগনি। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা শুমাং কুম্মৈবু য়াম্না পামজখিবা, লীলাগীদমক তূম্বা চাবা খঙদনা য়ূমগী অৱা-অনা থিদনা লীলা তম্বা চৎখি। মীয়াম্না মহাকপু লীলা য়াওরল্লবা মতুংদা শক খরা খরা খঙবীরকপা মতমদুদনি মহাক্লা মোমোন নোক্লা হরাওজখিবা। তুংদা লীলাবু পামজবা মীওই কয়াসু খোমজিন তাশিন্দুনা লীলা লীংখৎখি অমদি তাকপী তম্বীখি। মসিগীদমক মহাকপু ষ্টেট কলা একাদেমিনা শক খঙবীদুনা বেষ্ট দিরেক্সনগী মনা কয়াসু পীবীখি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা পামজরম্বা শুমাং কুম্মৈ, মমি কুম্মৈ কয়াশিং অদু মহাক্কী মচাশিংদদি তুং ইনবীনবা কনাসু লৈহৌদ্রে। অৱাং পোৎশংবম খুন্নৌ হায়রিবা লমদম অসি লীলারোই মরাং কায়না লৈবা লমদমনি। খরদং পল্লবদা লাইশ্রম তোম্বা (হিটলর, বিন লাদেন, শান্তিদাস গোশাই) শাবা, লাইশ্রম জুগেশ্বর, নুপী শাবীদা বিরেন (মাইবদো মাইবীদো মপুরোইবদো) মতৈমা শাবা।

ঙসিদি পাবুং থোইবা মহাক্কী ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং পূম্নমকপু থাদোক্তুনা কনানসু কনবা য়াদনা লাইরমলেন্দা চৎখ্রে। মহাক কায়নবগী অৱাবদা শরুক য়ারিবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাংশিংগী মফমদসু ঐহাক্লা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াজবগা লোয়ননা অরোইবা ওইনা থৱায় য়াওদ্রবা পাবুংগী মফমদা ঐহাকসু মীৎকী পিগা লোয়ননা লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থম্মোয় শেংনা চেনা সিমতং কচ্চরি। ●

# অমুনবা উহৈনা কেনবগুম কেনগদৌরিবা হকচাং

- চন্দ্রমনি লাইফ্রাকপম -

হৈনা মীকপকা লোয়ননা পলেমগী শিয়োম্লুংদগী তাইবঙদা খোঙদারকপা তাইবঙ থৱায়শিং উহৈনা মুল্লগা কেনখিবগুম কেনখিগনি হায়বদা লানগনি খন্দে। কপ্পা লাকখিবা পুন্সি কপ্পা অদুমক হনখিনি তাইবঙ শিন্থা লোইরগা। করিসু খঙদনা নুংঙাইগদবোই নীংদুনা লাকখিবা পুন্সি মতমগী খোঙচৎতা অঙৈং-অশা, অৱা-নুংঙাই, অখাবা-অশিনবনচিংবা কয়া মথং-মথং খঙলকই-উরকই। নোংম-নোংমা নমদুনা হৌখিবনা খৌরাংনা ঙাইজরম্বা মতম মানা করিসু খনবীরমদনা চৎখিদুনা থৱায়না তাইবঙ হকচাংবু থাদোক্লম্লগা চৎখিনি। মতমগী খাংদা ঙৌদুনা চাউরক্লগা ময়া সংসারগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরম্লগা চৎতবা য়াদ্রবা লম্বীদুদা চৎখিগদৌরিবনি।

উহৈনা মমুন ফানা মুল্লগা কেনখিবগুম তাইবঙ হকচাংসু থৱায়বু থাদোক্লম্লগা মদোম হনখিগদৌরিবনি। পোক্লবদি শিবা তাই, অমুক্তং পোকপা তাইবঙ মপোকনি হায়বসি নীংশিংবদা কান্নগনি। মরম অসিনা হিংলিঙৈদা অমগা অমগা নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা অফবা মচৎনি হায়বসি পুন্সিগী পুংজা খুদিংদা নীংশিংবা কান্নগনি। কৈদৌঙৈদসু মীগী ৱাখল অমদি পূক্লিং ৱাগদবা থবক অমত্তা পাঙথোকলোইদবনি। ৱাখলনা লাইথুংনি হায়বদা লানগনি খনদে। পূক্লিং ৱাখল তংদু লৈতানা হিংবা য়াগদবা থৌওংশিং ইশানা শেমজবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। ৱাখলৱারক্লবদি মদুবু কাউথোকপা ঙম্নবা লম্বী অমা থিদুনা চৎপা ঙম্লবদি অৱাবা তাগদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মীওইপোক্লা থৱায়গা হকচাংগা পূন্না চৎমিন্নরিঙৈ তাইবঙপান্দা লৈগনি অদুগা থৱায়না হকচাংবু থাদোক্লম্লগা চৎখ্রবদা লাইৰৈবাক্তা তিনখিনি। তাইবঙ থৱায় ঙম্নমক অশিবগী খয়াৎতগী কনানসু কনবা ঙমদে, শিরগা লোইরবা তাইবঙ মপোকনি। তাইবঙদা লৈহৌরিবশিংনা হকচাংবু থাদোক্লম্লগা চৎখ্রবা থৱায়শিংবু তেংথাদুনা কপ্পরি। অসুম্না নোংম-নোংমা হৌখিবনা হিংলম্মী হায়বা ফাও কাউদুনা চৎনরিবা তাইবঙ পুন্সিনি। শিরগা লোইরবা মীওই মপোকনি হায়বসি হিংলিঙৈদা নীংশিংনদুনা নুংশিননা লৈমিন্নবা ঙম্লবদি অফবা মপোক ওইগনি।

থৌজাল হৈবা অমদি নুংশিবা মীৎয়েংনা মকা লাম্না পূম্নমকপু মোমোন নোকপা মীনোক্কা লোয়ননা লোয়নবা তমগদবনি। অমুক্তং পোকপা মপোক্তা মীগী থম্মোয় শোক্কদবা থবক অমত্তা তৌদবা হায়বসি অফবা মপোকনি হায়নগদৌরিবনি। ঈ থক্লগা হিংগদবগী শরুক ঈশিং থক্লগা শিখিবনা ফৈ খনবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ঐখোয় নোংমা নৎত্রগা নোংমদি নুংশিরবা মালেম অসি থাদোক্লম্লগা মপুগী লৈকোলদা লৈনম ওইনা তিল্লুগদৌরিবনি হায়না থাজনৈ। নুংশিরবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ পূম্নমক থাদোক্লম্লগা তাইবঙপানসি থাদোক্লম্লগা চৎখিগদৌবা ঙাক্তনি। হিংলিঙৈ তেল্লবা মতম খরা অসিদা করিগীদমক কল্লকপা, মীহৌবা অমদি শারমচৎকদৌরিবনো খন্থবা মতম ওইরে। উহৈনা মুল্লগা কেনবগুম তাইবঙ হকচাংসু থৱায়গা খাইনদুনা চৎখিগনি।

কপ্পা লাকখিবা তাইবঙ মপোক কপ্পা অদুম হনখিনি তাইবঙ শিন্থা লোইরগা। করিসু পুদুনা চৎলোই, ইশা চনবা কু অদু পুদুনা ইদোম লাক্লগা ইদোম হনখিগদৌবা তাইবঙ খোঙচৎনি। পোক্লবদি শিবা হায়বসি শোয়ফদ্রবা তাইবঙগী খোঙচৎ ওইবনা পুন্সিগী পুংজা খুদিং অরোইবা পুংজানি খন্দুনা হিংবা ঙম্লবদি হিংশাগী থবক্তগী থাপতোকপা ঙমগদৌরিবনি। করি অমুক হায়রুগনি অনীরক শিবা য়াদবা মীওইপোকনি হায়বসি মী ওইনা হিংলিঙৈ নীংশিংবনা অফবা ওইগনি। অসুম্না লোয়বা নাইবা তাইবঙ খোঙচৎনি কাউথোক্লুবা মীৎকুপ্তা মীওইপোক্লা হিংশাগী থবক তৌবা হৌরক্লিবনি। অদুবু অহিংসা নিতিনা লাঙ্গৌই চনশিন্দুনা হিংবা তম্লবদি তংদু লৈতানা হিংমিন্নবা য়াগনি।

মীওইবনা ৱারক্লগা তাইবঙ শেন্বা মপু অমা লৈ হায়বসি খঙলকই অদুগা নুংঙাইরিঙৈ মতমদনা মপু মাবু কাউথোকই হায়বসি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। শিগনি খঙনা হিংলিবা মীওইপোক্লা করিগীদমক অঙম-অঙম্বা হাৎতোক্লগদৌরিবনো হায়বসি ইথন্তা হংজবা মথৌ তাই। অসুম তৌরবদি খুন্নাই অসিদা লাল হায়বদু থোক্লরোই, পূম্নমক নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা য়াগনি। ঙসি হায়বসি হয়েংগী পুৱারীনি, মরম অসিনা ঙসিগী নুমিৎ খুদিং অফবা অমদি অচুম্বা ৱাখল খনবা তম্বা মথৌ তাই। শিখ্রবা মী অমত্তা হল্লক্তবগুম হিংলিঙৈদা অফবা থবক তৌরমগদবনি হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা চৎতবা য়াদবা লম্বী ওইফম থোকই।

নোংম-নোংমা নমদুনা হৌখিবনা মুরম্বা শম্লাং ঙৌশিল্লক, তিংলম্বা উনশানা খুইজিল্লক, পুন্সিসু লোইখিনি খঙহৌরোই। অদুম ওইনমক ৱাখল অসি অহল ওইরবশিংতনা খনবগী মহুত্তা নহা ওইবশিংসু খনবা মথৌ তাই। তম্বা ঙমদবা পুন্সি খোঙচৎতা করিগী মী অমনা মী অমবু তাথিগদৌরিবনো হায়বসি অহিংবশিংগী ৱাখলদা খনবা ঙম্লবদি ঈং-তপ্পা ফংগদৌরিবনি। মী মশীংদগী মী মখলনা য়াম্বা লমদমসিদা ফত্তবা মীগী মশীংনা হেনগৎলকপনা হিংশা কয়া থোকহল্লক্লি। অদুবু পূম্নমক মতমগী ঈরোলনুংদা অমুনবা উহৈনা মমুন ফানা মুল্লগা কেন্দুনা মাঙবগুম মাঙখিগদৌরিবনি।

ফজবা, নুংশিবা, অহাওবা, অঙৈংবা, অচুম্বনচিংবশিং ময়েক শেংনা খঙলিঙৈ তুংলমচৎপু মঙম শান্না উবা ঙম্বা হায়বসি অফবা মীওইপোক্কী মচৎনি। মরম অসিনা লৈকোলদা ফুগাইনা শাৎলিবা লৈরাং মশীং য়াম্লীবমখৈ লৈকোলদুগী ফজবা হেনগদৌরিবনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ৱাখলদা খনগদবনি। তাইবঙ খোঙচৎসিদা মীগী মাঙননবা শিন্দবা হায়বসি মীওইপোক্কী অফবা মচৎনি। মানা মানা তৌবনা মানা মানা ফংগনি হায়বসি পুন্সিরোল ওইগদৌরিবনি। তিল্লাং য়োৎথদুনা ফত্তবা থবক তৌরুবগী অফবা মহয় ফংদে হায়বসি পুংজা খুদিং নীংশিংগদবনি। নুংশিবা লৈনম্না অতাবা মীওইশিংগী পূক্লিংবু হরাওনা পোথাবা পীরম্বা ঙম্লবদি মহয় য়াল্লবা মপোক ওইগদৌরিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।